# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


Joan Barry


Charlie Chaplin


Pauline Betz

- ১৯৪১গী ফেব্রুৱারী থাদা অমুক চার্লি হোলিরুদতা হল্লক্লে। অদুবু অমুক ফেদেরেল টেক্স ওথোরিটিনা মাবু টেক্স থীদে হায়দুনা তকখৎলরে। অদুমকপু মাবু অহেনবা টেক্স পীগদবনি হায়বা ওথোরিটিগী ৱাফম অদুমদি কোর্টনা ককখ্রে। কোর্টনা মাগী ৱাফম, দোল্লর ২৪,৯৩৮ হেন্না পীখ্রবনি হায়বদু তাবীরে।
- টেক্সকী মতাংদা মানা কোর্টতা ঙল্লকপা অসিনা মাবু নুংঙাইহনবা ঙমদ্রি। মরমদি মাবু প্রেসনা টেক্সকী মতাংদা ওথোরিটিবু মীনম্মী হায়না ফোঙজিল্লকই। অদুনা মহাক ষ্টুদিওদগী লাপ্পা চয়োল ৬ লৈখি। ৱাখল নুংঙাইতনা। অয়াম্বা মতমদা মচাশিংগা লৈমিন্নখি। এক্ট্রেসশিংগা চাক চামিন্নবা চৎপদফাও মখোয়বু পুদুনা চৎখি।
- মতাংসিদা চার্লি টেন্নিস শান্নবা পামখৎলকই। মফমদুদা মরুপ মখল মখল তিন্নবা ফংজরে। মতমদুদা মাগা শান্নমিন্নখিবা শান্নরোয় খরদি Gudge, Perry, Tilden, Pauline Betz and Helen wills নি। অদুগী মথক্তা নোংমা ফিল্মগী মীওই অমনা শীল্লকপা চাকলেন চাবদা Joan Barry কৌবী লৈশাবী অমা থেংনরুরে। মশক পংফ ফজবদি নত্তে। অদুবু নুপীদুনা চার্লিবু তিন্ননীংবা উৎলকপনা তিন্নরুরে।
- Joan Barry ফিল্ম কুম্বগী স্ক্রিন টেষ্ট তৌরে। চহী অমগী কন্ট্রেক্ট চার্লিনা পীরে। চয়োল অমদা দোল্লর ২৫০ পীবদা য়ানরে। চার্লিনা মাবু ড্রামা স্কুল অমদা থাদুনা তমহল্লি। অদুবু লৈশাবী অসি অঙাও-অফৈগী মওং খরা উরকখি। ড্রামা স্কুলদুদা চয়োল কয়া চৎলমদ্রে। অদুগী মহুৎ য়ু ঙাওরগা কার কন্না থৌবা, থেঙনা হল্লকপা কয়া তৌরে। অমুক্তি চার্লিনা থোঙ হাংঙু য়াদে হায়দুনা থোঙনাও থুগাইরকখি।
- অদুনা চার্লিনা শাউদুনা Joan Barry গী কন্ট্রেক্ট অদু ১৯৪২গী মে ২২দা ককথৎখ্রে। তশেংবদি জুলাই ২৫ ফাওবা লৈরিবনি মতমদু। অদুনা দোল্লর ৫০০০গা, Barry অমসুং মমাগী ন্যু য়োর্কতা হনখিবগী টিকেটকা পীরগা থাদোকখ্রে। দশা কোক্লে।
- ১৯৪২ অসি চার্লিনা মাগী অনৌবা ফিল্ম Shadow and Substance কৌবা অসিগী স্ক্রিপ্ট শাগৎতুনা লৈখি। তাল্লক অসিদা অমেরিকাসু অনীশুবা লাঞ্জাও য়াওখ্রে। মদু ১৯৪১গী দিসেম্বর ৭তা জপাননা Pearl Harbour দা লান্দারকপদগীনি। অদুনা জাপানীজ মীনাইশিং শিনে দাক্তবা য়াদ্রদুনা চার্লিসু ইংলিস মচা লৌশিল্লে, জাপানীজ মচা তোকহনখ্রে। অদুবু হৈব-শিংবা মান্নদবগী অৱাবা মায়োক্নরে। লান্দুনা চার্লিদা ওম্হোক্লা অকায়বা পীখ্রে।
- মচা নুপা অনীদুসু লানগীদমক কৌরক্লে। মতমদুদা অমেরিকা মীয়ামগী মরক্তা মতমদুগী সোভিএটপু য়াদবা হেনগৎলকপদা চার্লি নুংঙাইখিদে। সোভিএটকী লান্মী শিবা টি ভিদা উরগা অমেরিকান মচাশিং নুংঙাইবা উবদা মহাক পেনখিদে। লান্দুগী মরমদা মহাক ৱা খরা ঙাঙনীংবনা মহাক লৈতাখিদে।
- ১৯৪২গী মে থাদা মাগী তাঞ্জা অমা লাক্লে। অমেরিকান কম্যুনিতি ফোর রসিয়ন ৱার রিলিফকীদমক ৱা ঙাঙবীরনবা টেলিফোন্দা কৌরকখি। মথংগী নুমিত্তা সান ফ্রান্সিসকোদা ঙাঙগদবনি। মহাক য়াথোকখি। মহাক চৎখি। অদুবু তিল্লল্লিবা মীয়াম ময়ামদু উবদা মহাক কিবা ফাওখি।
- অদুবু চিম্পাঞ্জি গ্লাস অনীখক থকখিবা অমদি মাগী মমাঙদা ঙাঙখিবা ৱাঙাঙলোয়শিংদুগী কিথি-কিরুম্বা ৱাঙাঙশিংদু তাবদা শাউনীংখিবনা মাগী পালি লাকপদদি চার্লি থৌনা লাকখি। মীওই লিশীং ১০ রোম তিল্লিবদু মানা 'Comrades' হায়না কৌখি, অদুগা মাগী ভাষন্দু অসুম্না হৌখি - "মফমসিদা রুসিয়ান কয়া তিনবিরি হায়না খঞ্জে, অদুগা মিৎকুপ অসিমক্তদা অদোমগী ইরৈচা কয়ানা লান থেংনরি অমসুং থৱায় থারি। অদুনা অদোম্বু কমরেদস কৌজবসি অদোম্বু ইকাই খুন্নবা উৎচরিবনি।"
- মাগী ৱাঙাঙদু তাবদা তিল্লিবা মীয়াম্না অঙকপদা থাগৎলকখি। অদুবু মাগী মথংগী মিৎকুপ্তা মখা তাখি, "ঐমক্তি কম্যুনিষ্ট অমদি নৎচদে। ঐদি মীওইবা অমখক্নি। অদুনা মীওইবা অমা ওইনা মীওইবগী অৱা-অনাদু উজবনি। কম্যুনিষ্টসু মীনি। মখোয়না মখোঙ তৎপদা, মখূৎ তৎপদা ঐখোয়দৌনা চৈনা খাঙই। ঐখোয়না শিবদৌনা মখোয়সু শিরি। কম্যুনিষ্ট অমগী মমাসু ঐখোয়গী ইমাগুম্বনি। মখোয়সু মচাশিংগীদমক কপই। ঐ কম্যুনিষ্ট নৎত্রবসু মসি পুম্নমক খঙই, অৱাবা ফাওই। অদুনা ঙসিমক রুসিয়ান ইমা কয়া কপ্লি, মখোয়গী মচা কয়ানা লান্দা থৱায় থারি।"
- চার্লিনা মখা তাখি, "অদুনা তিনবিরিবা মীয়াম্না সোভিএট প্রসিদেন্টতা লান অসিগীদমক য়ুরেপ্তা সেকেন্দ ফ্রন্ট অমা হাংনবা টেলিগ্রাম লিশীং অমা থাজিনবিখো। ষ্টেলিননা মদু পাম্লি, রুসবেল্টনসু মদু পাম্লি - অদুনা ঐখোয়না ঙসিমক সেকেন্দ ফ্রন্ট অমা হাংদোক্লবা তকশিনসি।"
- মীয়াম্না চার্লিবু থাগৎনখি। Dane James অমসুং মাগী নুপী Lilith সু নুমিদাংদু চাক চামিন্নখি। মহাক্না চার্লিবু থাগৎতুনা হায়খি, "It was a tremendous Speech. It was a very bold political stand."

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# শক-চু মাঙহল্লকপগী মরমশিং, ফহন্নবা পাম্বৈ খরা



মী খুদিংমক অমগা অমগা উনসা মখল মান্নদবা মরম্না চপ মান্নবা থৌরাং অমখক লৌখৎলগা লোইনমক্তা কান্নবা ফংগনি হায়বা করিসু লৈতে। শক ফজহন্নবনি, উনসা তিংনবনি অমসুং কুচু ঙৌথোকহন্নবনি হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা অয়ুর্বেদিক, এলোপেথিক অমদি অতৈ মখল কয়াগী পোথোকশিং লেপ্তুনা পুথোক্নরক্লি। অদুম ওইনমক ইশা ইশাগী তোপ তোপ্পা খুদোংচাদবশিং খঙদোক্তুনা হৌরকফম মরু থিদোক্ত্রিবমখৈদি ফনা য়াম্না য়েকশিন-তৈশিল্লবসু থোইনা কান্নবা ফংলোই।

অয়াম্বা মতমদা মীয়াম্না কম্মন ওইনা মায়োক্নবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মদুদগী ঙাকতোক্নবা পাম্বৈ খরা খঙমিন্নসি :-

**দ্রাই স্কিন :** লেপ্তুনা চৎথবা মহৌশাগী ওইবা থৌওং অমনা উনসাদা য়াওজবা মোইচরগী খল কায়হন্দনা থন্মী। মরম অমা নত্রগা অমনা হায়রিবা থৌওং অদুদা অকায়বা পীরবা কান্দা মোইচরগী খল কায়থরকপদগী উনসা ইকং কংশিল্লকই। খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ, চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না ওইরকপা হকচাংগী অহোংবা, ময়াক কনবা কেমিকেলশিং য়াওবা সাপোন শীজিন্নবা অমসুং লায়না মখল খরনি। মসিদগী কোক্নবা ইচম-চম্বা পাম্বৈদি ময়াক খরা চম্বা ক্লিঞ্জর অমা শীজিন্নবা অমসুং অফবা মখলগী মোইচরাইজর নত্রগা লোসন অমা নোংমদা অনীরক তৈবনি।

**চীনবাল কায়বা :** হকচাংগী অতৈ মফমশিংগা য়েংনবদা চীনবালগী মথক ইথং থংবা উনসাগী কুয়োম অসি পায়। মরম অদুনা অয়াম্বা মতমদা ইকং কংশিল্লকই। নিংথমথাগী মতমদনা অমুক্কা হেন্না উনসা কংশিল্লক্তুনা চীনবাল কায়রকই। মসিদগী কোকহন্নবা কাম্বৈদি সনস্ক্রিন য়াওবা মোইচরাইজর অমা অয়াম্বা মতমদা ইশাগা লোয়নগদবনি অমসুং ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা চীনবালদা তৈশিনগদবনি।

**হুমাং কা হেন্না থোকপা :** হুমাং থোকপা হায়বসি হকচাংবু ঈংনা থম্নবগীদমক তঙাইফদবা থৌওং অমনি। মসিদা মরুওইনা গ্লান্দ অনীনা মথৌ তৌই। ইক্রাইন গ্লান্দনা হকচাংগী মফম অয়াম্বদা হুমাং থোকহনবগী মথৌ তৌই। অদুগা শেগ্রাক, কময়া অমদি অখন্নবা মফম খরদা এপোক্রাইন গ্লান্দনা হুমাং থোকহল্লকই। মসিনা মরম ওইরদুনা হকচাং মনম চেল্লকই। এন্টি পর্সপিরেন্ট/দিওদোরেন্ট স্প্রে শীজিন্নবনা খুদোংচাদবা অসি কোকহনবা ঙম্মী।

**মায়হিং কাবা :** মেলানিন কা হেন্না থাদোরকপা মরম্না হকচাংগী মফম মফম, মরুওইনা মায়দা মায়হিং কারকই। নুমীৎকী মঙালদা য়াওবা অল্ট্রা ভাইওলেট রেদিয়েসন্না মসিদা অমুক্কা হেন্না ফীভম শোকহল্লি। মরম অদুনা নুমীৎ খুদিংগী সনস্ক্রিন য়াওবা মোইচরাইজর শীজিন্নগদবনি।




**উরিং থুংবা :** মহীক মতাংনা উনসাগী অশিবা সেলশিংগা পুল্লগা তুখোঙ ফুঞ্জিনবদগী উরিং থুংলকই। মসিদগী ঙাকথোক্নবা নুমীৎ খুদিংগী অনীরক এন্টিবেক্টেরিয়ল নত্রগা এন্টি ব্লেমিস ক্লিঞ্জর শীজিন্নরবা মতুংদা নন-কোমেদোজেনিক মোইচরাইজর অমা তৈগদবনি।

**শমদোল পোকখায়বা :** ময়াক কনবা কেমিকেল তোয়না শীজিন্নবা নত্রগনা অতৈ অতোপ্পা মরম খরদগী শমদোল পোকখায়রকই। মসিদগী ঙাকথোক্নবা, ফহন্নবগী পাম্বৈ ওইনা শেম্পু লুজবা খুদিংগী অফবা মখলগী কন্দিসনর অমা শীজিন্নবা কাউরোইদবনি।




Title : LANDSCAPE


Raelene Oinam
Class : II, Sec: A, Roll: 31
Kids' Foundation


Title : HAPPY MOTHER DAY 2018


Manimatum Asem
Class :IV, Sec: A, Roll: 2
Kids' Foundation


Title : RABBIT


Salam Avantika
Class :IV, Sec: Apple, Roll: 18
Millennium School


Title : PARROT


Salam Vasu
Class : KG, Sec: Cherry, Roll:31
Millennium School


Title : DEIDARA


L. Mangalsana Singh
Class :IV, Sec: , Roll: 34
Tima (Hiyangthang)


Title : HAPPY BIRTHDAY CAKE


Ph. Wilson
Class : Sec: Nongin, Roll: 4
ATM School


Title : A DOLPHIN


Sinarmala
Class : III, Sec: , Roll: 6
D.A.V Public School


Title : SCENERY


Bikash
Class : IV, Sec: , Roll: 19
Kangleipak Modern School. Singda


Title : SCENERY


W. Suprimond
Class : III, Group: B, Roll: 31
Smart Universal Academy


Title : COCK


Honey Laishram
Class : V, Sec.A:, Roll:11
Regular English High School



## চীঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি

# মাইরেন চাবনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী



হকচাংদা কান্নবা মচল কয়ামরুম য়াওরবা মাইরেন চাবনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা অনাবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। চাং নাইনা মাইরেন চারবদি হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হন্থহন্দুনা দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়নাদগী খরমখৈ ঙাকথোকই। কুচুসু শেংহনবগা লোয়ননা শম ফহল্লি অমসুং পাঙ্গল কলহল্লি।

য়ু এম দি ২ নেসনেল ন্যুট্রিয়েন্ট দেটাবেজ মতুং ইন্না মাইরেন থোংবা তেক্কোৎ অমা চাবদগী ফংলিবা কান্নবসি কেলোরি ৪৯, প্রোটিন গ্রাম ১.৭৬, ফেট গ্রাম ০.১৭, কোলেষ্টেরোল গ্রাম ০, কার্বোহাইদ্রেট গ্রাম ১২, ফাইবর গ্রাম ২.৭ অমসুং চিনি গ্রাম ৫.১ নি।

মসিগীসু মথক্তা হকচাংনা নোংমদা মথৌ তাবা ভিটামিন এ চাদা ১০০; ভিটামিন সি চাদা ২০; ভিটামিন ঈ, রাইবোফ্লেবিন, পোটাসিয়ম, কোপ্পর অমদি মেনগানিজ চাদা ১০; লোয়ননা থিয়ামিন, বি-৬, ফোলেট পেন্টাথেনিক এসিদ, নিয়াসিন, আইরন, মেগনেসিয়ম অমদি ফোসফরস চাদা ৫ ফংবা ঙম্মী।

উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশীং চাং নাইনা চাবনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকই হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। হন্দক্তা থিজিনবদা চাং নাইনা মাইরেন চাবনা হকচাংগী অরূম্বা অমদি অনোয়বা হন্থহনবগা লোয়ননা দাইবেটিস অমদি থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোক্তুনা পুন্সি শাংহল্লি হায়বা খঙলে।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা চাং নাইনা মাইরেন চাবনা কুচু শেংহল্লি অমসুং শম ফহল্লি।

বেটাকেরোটিন কৌবা মতীক-ময়াই কল্লবা এন্টিওক্সিদেন্ট য়াওবা মরম্না চাং নাইনা মাইরেন চারবদি কেন্সর মখল খরা, অজমা অমদি থম্মোয়গী লায়নাদগী ঙাকথোকই। মতম শাংনা নহা ওইনা লৈহনবদসু মতেং পাংই। মাইরেনদা য়াওবা ফাইবর, পোটাসিয়ম অমদি ভিটামিন সিনা হার্টকী ফীভম ফনা থম্বগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর মেন্টেন তৌই, ষ্ট্রোক তৌহন্দে, মশল অমদি বোন মিনরেল দেন্সিটি হন্থহন্দে। কিদনিদা নুঙ লৈবসু ঙমহন্দে। হার্ভার্দ স্কুল ওফ পব্লিক হেল্থকী দিপার্টমেন্ট ওফ ন্যুট্রিসনন্না থিজিনবদা বেটাকেরোটিন য়াওবা মাইরেন চাবনা প্রোষ্টেট কেন্সর অমদি কোলোন কেন্সরনচিংবা কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলে।

ভিটামিন সি, ভিটামিন ঈ অমদি বেটাকেরোটিন য়াওবা মরম্না চাং নাইনা মাইরেন চারবদি মীৎ ফহল্লি। মসিগীসু মথক্তা অঙাং ওইহনবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি।

কুনসুবা চহীচা হৌগৎলকপদা মাইরেন মরূ শীজিন্নরগা প্রোষ্টেট চাউথোকপগী লায়না লায়েংলম্মী। মাইরেন মরূদা ফাইটোষ্টেরোল কৌবা কম্পাওন্দ অমা য়াওবা মরম্না প্রোষ্টেট চাউথোকহন্দবনি। মরম অদুনা নুপা ওইবশিংনা চয়োল অমদা অহুল্লক মাইরেন মরূ চখোম অমমম চাবা কান্নগনি। থীরিলদা মহীক লৈবা ফহন্নবগী মতাংদসু মাইরেন মরূবু হিদাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।